ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯇ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ১০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৩৬শুবা মশীং

অনৌবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি

লৈবাক্কী এদ্যুকেসন সিষ্টম কয়া য়াম্না ফগৎহনবা ঙমগদৌরিবগে

লৈবাক্কী এদ্যুকেসন সিষ্টম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা হন্দক্তা অনৌবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। হীরম খূদিংমক্কী থৌশিল শেন্বা মথৌ তাবগুম লৈবাক অসিদা এদ্যুকেসন পোলিসি লৈহনবা তঙাইফদে হায়বা ৱাফম ইহান হান্না লৌনরকখিবসি কুমজা ১৯৬৪দনি। মতমদুদা কোংগ্রেসকী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট সিধেশ্বর প্রসাদনা এদ্যুকেসন সিষ্টম য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদগী মেম্বর ১৭না শাবা এদ্যুকেসন কম্মিসন শেমদুনা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি শেমহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। মতমদুদা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী)গী চ্যেরমেন ওইবা দি এস কোথারিনা লুচিংবা মেম্বর ১৭না শাবা এদ্যুকেসন কম্মিসননা পুখৎলকপা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা কুমজা ১৯৬৮দা পার্লিয়ামেন্টনা লৈবাক্কী অহানবা এদ্যুকেসন পোলিসি পাস তৌখি। হৌজিক ফাওবদা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) অহুম্লক শেন্বা লৈখ্রে। অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬৮দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী লিচিং মখাদা এদ্যুকেসন পোলিসি চৎনহনখি। অনীরকশুবা ওইনা কুমজা ১৯৮৬তা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীনা লুচিংবা লৈঙাক্লা অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসি পুথোকখি। কুমজা ১৯৮৬কী পোলিসি অদু কুমজা ১৯৯২দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর পি ভি নরসিমহ রাওগী লৈঙাক্লা শেমদোক-শাদোকখি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা অহুমশুবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি পুথোকখিবনি। অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসিদা য়াওরিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংদি হায়র এদ্যুকেসনদা ফোরেন য়ুনিভর্সিটিশিং চঙলকপা য়াহনবা, মল্টিদিসিপ্লিনরি ওইবা চহী ৪গী অন্দর গ্রেজুয়েট প্রোগ্রাম হৌদোকপা, এম ফিল প্রোগ্রাম লৈহন্দবা লোয়নননা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী) অমসুং ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ফোর টেক্নিকেল এদ্যুকেসন (এ আই সী টি ঈ) মুৎথৎপা অসিনচিংবনি।

স্কুল এদ্যুকেসনদসু অহোংবা কয়া লৈহনবগী ৱাফম য়াওরি। মরু ওইনা করিক্যুলম শেমদোকপা, বোর্দ ইগজাম লায়থোকহনবা, সিলেবস হন্থহনবা অমসুং ১০+২ ষ্ট্রকচরগী মহুৎতা ৫+৩+৩+৪ চৎনহনবা অসিনচিংবনি। মশাগী চহী ৩ দগী ৮ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংবু ফাউন্দেসন ষ্টেজ, চহী ৮দগী ১১ ফাওববু প্রিপেরেটরি, চহী ১১ দগী ১৪ ফাওববু মিদ্দল অমসুং চহী ১৪দগী ১৮ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংবু সেকেন্দরি লেভেলদা লৈহনগদৌরি। প্রি-স্কুলগী থাক্তা লৈবা অঙাংশিংদা মিদ-দে মীলগী খূদোংচাবা ফংহনবা, ক্লাস ফাইভ ফাওবদা তল্লিবা অঙাংশিংবু মমালোন নৎত্রগা রিজনেল লেংগ্বেজ দা তাকপী-তন্বীবা লোয়নননা কুমজা ২০৪০ ফাওবদা য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজ পূম্নমক মল্টিদিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুসন ওইহনবগী ৱাফমসু অনৌবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসিদা য়াওরি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন, ষ্টেট এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, স্কুল বোর্দ, নেসনল কাউন্সিল ওফ এদ্যুকেসন রিছর্স এন্দ ট্রেনিং, সেন্ট্রেল এদভাইজরি বোর্দ ওফ এদ্যুকেসন অমদি নেসনল টেষ্টিং এজেন্সীনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী থৌশিল শেমগদৌরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা পুথোরকপা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসিগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা হায়, ইন্দিয়াগী মফম পূম্নমক্তা হিন্দি লোলবু ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসি শেম্লকপনি। মমাঙদা ‘থ্রী লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা’ চৎনহন্দুনা হিন্দিবু ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহন্নবা হোৎনরকপদা মায়কৈ কয়াদগী অয়েৎপা পীরকখিবনি। হিন্দি লোল ঙাঙদবা ষ্টেট পূম্নমক্তা লোল অসি নমদুনা তমহনবগী ৱাফম ‘থ্রী লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা’দা য়াওরি। ফোর্ম্যুলা অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট পূম্নমক্তা হিন্দি, ইংলিশ অমসুং মমালোন তমহনগদবনি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং, মরু ওইনা খা-থংবা ইন্দিয়াগী মতীক-ময়াই লৈরবা ষ্টেট খরনা অয়েৎপা পীরকপদগী ফোর্ম্যুলা অসি চৎনহনখিদ্রে। অদুবু থৌরাং অদু মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা নৌনা অমুক ষ্টেট পূম্নমক্তা হিন্দি লোল তমহন্নবা অমসুং ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহন্নবগী পান্দমদা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি শেম্লক্লিবরা হায়বদু য়েংশিনবা মথৌ তারি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

চৎনা কাঙলোন ঙাকসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

অকিবগী মশক ওইরবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লাইচৎ অসিনা ঐখোয়গী লমদমসিদসু মীশি মীনা য়াওরক্লে। লায়না লাইচৎ অসিগী অনাবা লৈবা মফমশিং অমসুং ক্বারন্টিন সেন্তরশিং মনিপুর লৈঙাক্লা লায়না অসি অমুক হেন্না পাক শন্না শন্দোরক্তনবগী চেকশিন থৌরাং ওইনা কন্টেনমেন্ট জোন, লোকদাউন, কর্ফিয়ুনচিংবা লাওথোকখিবদগী মীশিং য়ূম য়ূমদগী মপান থোক্লুদ্রে। লৈকাক নত্রগা খুলগী ক্লব নহারোলশিংনসু কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কম্মিটিশিং শেমলগা ঙাক শেন্দুনা লৈনরি। অসুন্না কম্যুনিতি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্তনবা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনফম থোক্লে। লৈঙাক্লা লাওথোক্লিবা প্রোটোকোলশিং ঙাক্লা চৎনবা হোৎনবনা ঐখোয় ইশানা-ইশাবু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লুবগী পাম্বৈ ওইরি।

য়াম্না লাইবক থীবা অমনা ঐখোয়গী খুঙ্গংদগী নেসনল টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল লৌরকখ্রবা নহা ওইরিবা তুংগী অশা লৈরিবা শান্নারোয় অমা কোভিদ-১৯ নারক্তুনা থা অসিগী ৬কী অয়ূক অঙনবদা রিমস হোস্পিতাল, ইম্ফালদা লৈখিদরে। ফুবালাদা ট্রেভেল হিষ্ট্রি লৈবা মীওই অনি য়াওনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই মঙা লৈরে। চিংনবা খরদি টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে । থা অসিগী ৯ ফাওবদা মনিপুরগী লৈখিদবা মী মশীং ১১ শুখ্রে। লৈখিদবা মীওইসি হান্না কীদনিগী অনাবা লৈবদগী লায়েং চথরিবনা খুদোংথীবগী চাং ৱাংনা লৈরকখিবনি। লাইচৎ অসিনা তুংগী অশা লৈরিবা লমদমসিগী শান্নারোয় অমা লৈখিদবসি ঐখোয়গী চাউনা মাঙজবনি। লৈখিদবগী লৈকায় ফুবালা ৱার্দ নম্বর-৪বু নিতা অরাম্বম দি সী বীষ্ণুপুরনা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাওথোক্তুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। হায়রিবা ৱার্দসিগী চৎথোক চৎশিন তৌনরিবা মফম খরদা মোইরাং পি এসনা ঙাক শেল্লে। কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কম্মিটি ফুবালানসু খুঙ্গং অসিদা কম্যুনিতি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্তনবা কন্না হোৎনরি। কম্মিতিনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌবদা ফুবালাগী ৱার্দ মেম্বরশিংসু য়াওশিন্দুনা খুদোংথীবা য়াওরকপদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা শেম শাদুনা লৈরি । মোইরাং এ সীগী এম এল এ পি সরতচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান-তোঙানবা মেটরিএলশিং য়াওনা লৈখিদ্রবগী ইমুং অমসুং ফুবালা টাস্ক ফোর্স কম্মিটিদা শেলগী তেংবাং তৌরকখ্রে। লাইচৎ অসিনা মীয়াম মীপাইনরবসু লৈঙাক অমদি লাইচৎসিবু থেংনরিবা ফ্রন্টলাইনগী থৌমিশিংনা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা পাউজেলসু পিরি। ইকায়খুম্নজরিবা হেল্থ এন্দ ফেমেলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, গর্ণমেন্ট ওফ মনিপুরগী মখাদা ইপিসোদ নাইনা শন্দোক্কদবা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরমদা দা. আর কে লেনিন, প্রোফেসার, হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রি রিমসনা মীয়ামগী পূক্নিং ৱাখল লৈতানবগী মরমদা হায়খিবা ৱাফমশিংদুনা লাইচৎ অসি থেংনবদা মতেং ওইহল্লে। ঐখোয়না থাজবা মফমদগী পাউতাক লৌদুনা, চৎনা কাঙলোন ঙাক্তুনা লাইচৎসি থেংনসি । থাজবা মফম হায়রগা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং, টাস্ক ফোর্স কম্মিটিশিং অমসুং লৈঙাক্লা ওইবা তাবনি। চহি চাম্মা-চাম্মাগী মমাঙদা লাকখিবা মতমদুগী প্লেগ, কোলেরানচিংবা লাইচৎ কয়াগী মতমদসু হৌজিক থেংনরিবা অসিগুন্না খুদোংথীবা ময়াম ঐখোয় মীওইবনা থেংনদুনা লাকখ্রে হায়বসিসু খঙলে। অদুবু মীওইবা খুন্নাইদি মুৎতনা অদুম লৈরি। অদুনা ঐখোয় মতম কুইনা হিংখিগনি হায়বসি থাজে। অসিগীসু মথক্তা লাইচৎ অসিগী মতুংদা মালেমসি অওনবা অমা লাক্কনি হায়নবা ৱাফমসু লৈরিবনি। হন্দক্কী কুমজা ২০২০দা থেংনরিবা পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা ঐখোয়দা খ্বাইদগী লাইবক থীরিবদি মী অমগা অমগা লৌনগনবা লায়না ওইরম্বসিনি। ফনা ওইদুনসু লৈঙাক অমদি ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কম্মিতিশিংনা লৌরকপা ৱারেপ, চৎনা কাঙলোন ঙাক্লা চৎসি।

অদোমগী - মোইরাংথেম দিনকান্ত, ফুবালা

লৌমীশিংগী কাখল

মরেক অমসুং মনা কোনশিনবী তীল

ডো: এম থোইথোই

মরেক অমসুং মনা কোনশিনবী অসিসু য়াম্না মরু ওইবা তীল অমা ওইনা লৌনরি। মরমদি পান্বীবু মশা চাওখৎহনবা হায়বসি মনাগী মখা য়াম্না পোল্লি, মনানা মচিঙ্গাক শুংদুনা পান্বীবু চাউবা হেলহল্লিবনি। মচিঙ্গাক শুংগদবা মনাগী চাং হন্থরবদি চাউবা থিনবা, পোত্থোক হন্থবা মশানা তাবনি। তীল মখল অসি মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবসু ফৌ পান্বীবু য়াম্না কা হেন্না মাঙহন-তাকহনবদি ওইরমদে অদুবু হৌজিক্তি মণিপুরগী লৌমীশিংদা অকনবা চৈথেং পীররে।

মরেক (Caseworm)

তীল মমিং : *Nymphula depunctalis*

লায়ওং : ঈশিং লৈবা লৌফমগী তীলনাননি। মপি ওন্দ্রিবা তীল (Larva) শিংনা মনাগী মতোনশিং ককথত্তুনা ঈমাইদা মনাগী মতোলশিং মতৎ-মতৎ তাউদনা লৈ। মতৎশিংদুগী মনুং থংবা শরুকশিংদা তীল মখলসি লৈশিল্লি। অসিগুম্বা তীল অমনা পান্বী কয়াগী মনাশিং ককথৎলি। তীলসিনা মপূং ফানা চাউরকপা মতম ফাওবদা মনা কয়াবু ককপা ঙম্মী। মরু ওইনা নৌরিবা পান্বীশিংদা হেন্না তাই। তীলসিনা মনাগী অশংবা শরুকশিং চাথোক্তুনা মনাগী মচি খুদিংদা ঙৌনা ঙৌনা লৈ। মতোম্থংবা শরুক্তনা হেন্না থেংনগনি। তীলসি তারবা ফৌ পান্বীশিং চাউদম থিল্লি।

মপুন্সি : নুমিদাংদা হেন্না হৈনবা তীলসি মৈঙালদা পাইশিনগল্লি। অপিকপা অশোনবা তীলনি, উন মচুগুম ঙৌই। মসাশিংদা নাপু চঙনা মুরপ তৌবা বিন্দুশিং লৈ। মসা ফন্দোকপদা মিলিমিটর ২৫ পাকই। পরেং অমা নৎত্রগা অনী ওইনা মকাশিংদা মরূম কোকই। নুমিৎ হুমনিদা মচা ওল্লি। মচাশিং মচু শংলপ লৈ। মকোক্লা নাপু চঙলপ তৌই। মপূং ফানা চাউবদা মিলিমিটর ২০ শাংই। ঈশিংসু খরা অদুমক হৈনবা তীলনি। নুমিৎ ১৫-৩০ ফাওবা Larva ওইনা লৈ। নুমিৎ ৪-৭ ফাওবা তীঙ্গোং ওইনা লৈ। তীলসিগী মপুন্সি নুমিৎ ১৯-৩৭ ফাওবদা মপূং ফাই।

মনা কোনশিনবী তীল অসি য়াম্না তোয়না শাথীবা তীলশিংগী মনুংদা অমনি। তীল অসিনা মপূং ফানা তাশিল্লবা লৌবুক্তা ফৌনাগী মতোলশিং অদু ইঙৌ ঙৌনা উই। মসি তীল অসিনা ফৌনাগী মতাই থংবা মপান অনীদু চিংশিন্দুনা উতোং শানা কোনশিল্লগা মনাগী অশংবা শরুকশিং অদু চামথোকখিবননি। তীল অসিগী মপিনা সনা মচু চঙলপ তৌই। করিগুম্বদা নাপু মচু ওইনা তৌই, মিলিমিটর ৮দগী ১০ ফাওবা শাংই। মসা ফন্দোক্লিঙৈদা মিলিমিটর ১৬তগী ২০ ফাওবা পাকই। মসাদা ফৈনা অমুবা মচুগী ঈথক্কুম হঙ্গৎ-হন্দা তৌবা পরেং অনী নৎত্রগা অহুম লৈগনি।

হায়রিবা তীল মপিশিং অসি পংতোয় তোয়না উবা ফংদে। মরমদি তীলশিং অসি নুমিদাংদনা হেন্না হৈনবা তীলশিংনি। অয়ূক, নুংথিলগী মতমদা মনাগী মখা থংবা শরুকশিংদা নৎত্রগা মনা মরক্তা লোত্তুনা নৎত্রগা তোংদুনা লৈ। মপিশিং অসিনা য়েরূম মান্না শাংতক তৌবা, লংনা ঙৌবা অকুপ্পা মরূমশিং কোকই। মরূমশিংদু মনা অমসুং মকাগী শরুকশিংদা অমমমতা ওইনা নৎত্রগা জুরা-জুরা কোকই। হায়রিবা মরূমশিং অসি মচা ওনবদা নুমিৎ হুমনি-মরিনি চঙই। ওনবা কুইদ্রিবা মচাশিং অদু ঙৌরুনৈ নৎত্রগা নাপু হাইফেৎ চঙই, মকোক্লা কোনা মচু ওই। অদুবু অশংবা ফৌনাগী শরুকশিং অদু চারবা মতুংদদি তীল অদুগী মচু ওল্লকই, শংজিল্লকই। মপূং ফানা চাউরবা তীলনা মিলিমিটর ২০দগী ২৫ ফাওবা শাংই। হায়রিবা তীল অসি মশা খিংই, থেংলুবদা মফম অমদগী মফম অমদা কোইলেং লেংঙি, মনা কোনশিনবদা মতম ইচঙ চঙদে। নুমিৎ ১৫দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা তিঙ্গোং ওনবা হৌরকই। হায়রিবা তিঙ্গোংগী পুন্সি অসি অকূপ্পা মুগাগী মিরাংগুম্বা লংলাশিংগী কুয়োম অমগী মনুংদা নুমিৎ ৬তগী ৮নি ফাওবা লৈ। তিঙ্গোংগী মতম লোইরগা কুরাক ওল্লত্তুনা মখা তানা মাগী ধারা শন্দোরকই। অসুম্না তীল মখল অসিগী পুন্সি অসি নুমিৎ ২৫দগী ৩৫ ফাওবদা মপূং ফাই।

তীল অসিনা থোকহল্লিবা অমাঙবশিং : মরূমদগী ওনবা নৌরিবা তীলশিংনা ফৌ পান্বীগী মনাশিংবু কোনশিনবগী থবক তৌদ্রিঙৈদা অনৌবা মনাগী মতোনশিংদা য়াওরিবা অশংবা শরুকশিং চাথোকই। খরা লিশিল্লক্লবা তীলশিংনা ফৌনাগী মপান অনীবু তীল অসিনা পুথোকপা অনপ্পা পোৎশক অমনা ফাজিন্দুনা উতোং মান্না শেল্লগা মনুংদা লৈশিনখি অমসুং মনাগী অশংবা শরুকশিং চাথোকই। চাথোকখ্রবা মতুংদা থনল্লিবা শরুক অদুদি অঙৌবা কুরাংবাল ওইনা লৈহৌই। অশংবা মচিৎ মখাক খরা লৈহৌবদুসু খুইজিল্লকই, কংশিল্লকই। থাপ্তুক্লা য়েংবদা লৌবুক অদু ইঙৌ ঙৌনা লৈ, মহৈ চারোইদবা মাল্লি। মরূমদগী ওনবদা ঙাইরিবা তীল অমনা তীঙ্গোং ওন্দ্রিঙৈদা মনা কয়াবু মাঙহনবা ঙমই। মসি মশা খিংবা তীল অসিনা মনা অমদগী অমদা ইরায় লায়না য়ৌবা ঙম্বননি। মশা শোন্থহল্লবা, অশংবগী শরুক লৌথোকপীখ্রবা মনাশিংনা মচিঙ্গাক শুংবদা, শুংফম থোকপা চাং য়ৌদবনা পান্বী মশাবু শেমগৎ শাগৎচবা, ফৌ মরূ চঙহনবনচিংবা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা মফম খুদিংদা শোকহল্লবা ফৌনাশিংদা কোকফাই শুজা অমসুং বেক্টিরিয়াগী লায়না তাশিনবদা লায়হল্লি।

ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং : ১) মরেক তীলগীদমক্তি হীদাক শীজিন্নদ্রবসু লৌরিদা চৎলগা খোঙকাপ ২০-২৫ খুদিংগী কেরোসিন দ্রোপ ১০-২০ থাদরগা ফৌনাদা তারিবা তীলশিংদু থৌরি অমগী মতেংনা খোৎথবা য়াই। মসিগীদমক থৌরি অশাংবা অমা মীওই অনীনা তিংলগা ফৌনাশিংবু নমথদুনা শিৎলগা পুগনি মতুংদা অমুক হন্না শিৎলগা পুরক্কনি। অসুম্না মথক্তা লৈরিবা তীলশিং খোমদুনা হাৎপা য়াই।

মনা কোনশিনবী তীলশিংনা মফম খরদা ঙাইরিঙৈদা শোক্লবা মফমদুগী ফৌনা মতোলদু ককথত্তুনা লৌথোকপসু কান্নগনি।

২) লৌবুক্কী মতাই থংবা শরুকশিং অমসুং লৌরিশিংদু তনান-তনান থম্বীগনি। নীংথম থাগী মতমদা তীলশিং অসিনা লৌবুক্কী চিদাইদা হৌরিবা নাপী-শিংবীশিংদা শাইদাংদুনা লৈ। তীল মচাশিং অমসুং মহুম শাজিন্দুনা লৈরিবা চরুখাকশিং মৈ থাদোক্কনি।

৩) য়ূময়াদা লৈবা লৌফম ওইরবদি মৈঙাল অমা কাপথোক্তুনা থল্লগা তীলশিংবু মৈঙাল অদুদা পাইশিলহল্লবা মতুংদা ফাদোকপা নৎত্রগা হাত্তোকপা য়াই।

৪) হীদাক শীজিন্নবা তারবসু নুংয়েংদা শীজিন্নখিবা হীদাক্লা তীলনা মখল অসিবুসু লৈহন্দবা ঙম্মী। Lepidoptera গী কাঙবু ওইবনা Chlorantraniliprole 18.5% (Coragen) মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাকসি মিলিলিটর ২০ চঙগনি। নৎত্রগা Fipronil 80% WG গ্রাম ২ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি, শঙমদা গ্রাম ১০ চঙগনি নৎত্রগা Fipronil 5% মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা লৌ শঙম অমদা হীদাকসি মিলিলিটর ১৪০ কাপথোক্কনি। নৎত্রগা Ampligo মিলিলিটর তরুক ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক মিলিলিটর ২৫ চঙগনি। ●

ঈশিং নুংশিৎ, অঈং-অশা (মেটিওরোলোজিকেল) গী ঈ-পাউ খঙনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা মায় পাকপা লৌমী ওইবীয়ু

- এস সুমঙ্গল -

হৌজিক্কী মতমদা রেদিও, টি ভি পাউচেনচিংবদা নোংমগী/মতম খরগী ওইবা অঈং অশা অমদি নোংগী ফীভমগী মরমদা তোইনা পাউ চেনবা ঐখোয় অয়াম্বনা থেংনরি। মসিগী কান্নবা অসিগী মরমদা য়াম্নমক মরু ওই খঞ্জরগা মমাঙথক্তসু থমজখ্রে। ঙসিসু মসিগী কান্নবা অসি মরুওইনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী ওইনা অমুক্কা হন্না থমজরি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা মিৎ, নাকোং ওইনবা, লোয়নননা ময়ামগী কান্নগনি খনবা ৱাফম খরা খঙজিনমিন্নসি।

ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফমদি - মালেমসিদা হৌরিবা পান্বীশিং অসি মাগী-মাগী চানবা, হৈনবা অইং-অশা, লৈহাও লৈজৈ হায়বসিনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কাশ্মীরদা শেম নিংথিনা হৌই হায়দুনা মণিপুরদা উখুলগুম্বা অঙৈংবা মফম নত্তনা য়াম্নমক মায় পাকপগী ওইথোকপা লৈরোই। অনৌবা চানবা শেম মখল খরা মণিপুরদসু হৌজিক পানবদি থেংনরে অদুবু কাশ্মীরগী শেমগুম্না মহাও লৈনা মপূং ফানা পানবা হায়বদুমদি ওইথোক্লোই হায়জবনি । খা ভারত্তা নিংথম কালেন অনীমক্তা ফৌ মায় পাক্লা থারবসু অতোপ্পা মফম পূম্নমক্তা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। নিংথম থাদা থাগদবা হৱাই মঙ্গল কালেন থাদা থাবা ৱাগনি। হায়বদি পান্বী খুদিংমক্কী চানজবা/হৈনজবা নুংশা মঙালগী চাং, নুংথিলগী নৎত্রগা নুমিদাং শাংবগী মতম অমদি অইং অশাগী চাং লৈজৈ। পান্বী খুদিংমক্কী হায়রিবা চাংশিং অসি খঙবগা লোয়নননা মতম মতমগী হায়রিবশিং অসিগী ঈ-পাউ কুপ্না শেন্নদুনা শীজিন্নরবদি লৌউ-শিংউ তৌবদা মায় পাক্কনি হায়বসিনি খঙজিনবদা কান্নগদৌরিবদি। খুদম অমত্তং থমজগে। অঙনবা মতমগী কোবিলৈ, অথেংবা মতমদা থাবদা খুবি মমায়মুক পাকনা লৈ কারগা তোক্কনি। অথেংবদা থাগদবা কোবিলৈ ঙন্না থাবা মতমদনা মনাদা পংফ-ফরগা নিংথিনা লৈ কাবা ঙমলোই, থেংথনা অদুমক লৈবা থেংনগনি। করিগুম্বা লৈ কারবসু লৈফোল ওইনা মওং ইচা চাদনা কাবা থেংনগনি। হৌজিক্কী মতমদা লৌউ সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না পান্বীশিংগী অনৌবা মতম পূম্নমক্তা থাবা য়াবা খরদি পুথোকপদি লৈরে। মখোয়শিং অদুসু মাগী চপ চাজবা ফীভমশিং অদুমক লৈজৈ।

করিগুম্বদা নোং চুবগী পাউ খঙহৌদনা লৌফম অমা মহৈ-মরোং থানবগীমক হেক খোইদোকপগা নোং চুশিন্দুনা ফৈদোম শেন্বা নংহৌদবা তারবদি লৈবাক য়ৈশিনখিদুনা ফৈদোম শেন্বা য়াদবদগী অমুক কংবা ঙাইবা তাবনি, লোয়নননা শোইদনা মতম মাঙবা তাবনি। হান্না খোইহৌদবা অতোপ্পা মীয়ামগী খোইবা মতমদসু হান্না খোইদোক্লুবা ওইবনা কংদদুনা খোইবা য়াররোই। মীয়াম্না এঞ্ছাং নাপি থাখ্রবা মতুং ফাওবা ইঞ্জোলদু/লৌফম অদু খোইবা য়াদবদগী থেংথনা অদুম লৈহৌবা তাবনি। নোংগী পাউ তারম্লগদি ইঞ্জোলদু খোইরম্লোই খোইরবসু খুদক্তা ফৈদোম শেম্নবা থৌরাং তৌদুনা ফৈদোম শেম্লম্লবদি অসুম্না থোক্লমলোই হায়বদুনি থমজনীংলিবদি।

থমজনীংবা ৱাফমদি নোংগী ঈ-পাউখক্তগী নত্তে। অইং অশা, নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং খুদিংমকসিগা ঐনা ঐনা থারিবা মহৈ মরোং পান্বী খুদিংমক্কী নিংথিনা মপূং ফানা হৌদুনা পোত্থোক পুথোকপা ঙম্বগা য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বসিমসুনি। অসিদা নত্তনা থারিবা পান্বীদা তাগনবা লায়না তীলনাশিংগা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমগসু য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনরিবনি। লায়না নৎত্রগা তীলনা অমনা হৈনবা ফীভম লাক্লবদি ঐখোয় খুকউ শেনবা তাই। খুদম অমতং পল্লবদা - নোং থিৎলি-থিৎলি অমুক লেপ অমুক চু হায়বদি নুংশা অমুক শা, নোং অমুক চু তৌরবা, লৈচিল নোংফাই থাংলবা, ফৌনাদা লিক্লা পল্লবা ফৌগী ব্লাষ্ট হায়রিবা শাথিরবা লায়না অসি তারক্লবগী য়াম্নমক ফরবা ফীভমনি, চেকশিন থৌরাং শোয়দনা পায়খৎপা তারে। নোং কন্না চুরগা লেপখিবগা লোয়নননা নুংশা শাবা ওইরবদি থোইদোক্লা কিনিঙাই ওইদে।

মনা খামদেকপী আলুগী শাথিরবা লায়না (লেট ব্লাইট) অসি খরা ঈংবা (২০° সেলসিয়স) মতমদা নুংথিলগী মৈশানা নুমিদাংগী মতমদগী খরগা হেন্না শাবগা লোয়নননা লৈচিল নোংফাই থাংদুনা নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংলবা লোয়নননা আলু মনাদা লিক্লা পল্লবা মতমদা তাগল্লি হায়বসি খঙজিনবা কান্নগনি।

অসুম্না নোং চুবা নৎত্রগা নুংশা শাবা অমদি অইং অশাগী চাং হায়বসি লৌমী ইচিন ইনাওশিংগীদমক্তি ষণপোৎ খোইবগী থৌরাং, মহৈ মরোং মরূ হুনবা, থাবা, ঈশিং চনবা চন্দবা, হার চাইবগী থৌরাং, হেকপগী নৎত্রগা লোকপগী তাঞ্জা অসিনচিংবা মরু ওইরবা থৌরমশিং অসিগী শেম শাবগী অশেংবা তাঞ্জাশিং থৌরাং তৌনবগী য়াম্না মরুওইবা মরমশিংনি। মরম অদুনা হায়রিবা মরু ওইরবা মচাক অহুম অসিগী পাউ খঙবা হায়বসি শেন্দোং লৈনা, মায় পাকনা লৌউ-শিংউ তৌবদা য়াম্নমক মরুওইবা অমনি হায়বসিনি থমজনীংলিবা ৱাফমদি। অদু নত্তদুনা লাইনা তাম্বনি খন্দুনা পংউ উবা, পংথা থারবদি লৌউবা, ইঞ্জোল কোয়বগী ফল ফংলোই হায়জবনি।

মরমশিং অসি লৈবনা মরুওইবা মহৈ মরোং খরগী খঙবদা কান্নগদবা ৱাফম খরা থমজরি।

নিংথম	চানবা মতম	অইং অশা (সেলসিয়স)	কালেন	চানবা মতম	অইং অশা (সেলসিয়স)
হৱাই মঙ্গল	সেপ্তেম্বর ওক্টোবর	২২-২৫°	ফৌ	জুন-জুলাই	২০-৩৭.৭°
আলু	”	১৭-২৫°	নূং হৱাই	”	১৫-৩২°
কোবি লৈ	অঙনবা-মে-জুন	২০-২৭°	শগোল	”	
	ময়ায় জুলাই-ওগষ্ট	১৬-২০°			
	অথেংবা সেপ্তেম্বর ওক্টোবর	১২-১৬°			
কোবিফুল	মতম লৈতে	অয়াম্বা মতমদা চানৈ, মতম তেনবা শাংবা মখল লৈ	লৈবাক হৱাই	”	
ব্রোকোলি	ওগষ্ট-ওক্টোবর	১০-২৪°	শিং	এপ্রিল -মে	২৮-৩৫°
হঙ্গাম	সেপ্তেম্বর-ওক্টোবর	২৬-৩০°	য়াইঙং	”	২০-৩০°
তিলহৌ	মতম য়াম্মী	মরূ কাদ্রিঙৈ -১৩-২৩° মরূ কারিঙৈ -১৬-২১°	ভেলন্দ্রি	”	২৫-৩০°
চনম	সেপ্তেম্বর-ওক্টোবর	মখল অনী লৈ। নুংথিল শাংবা/তেনবদা চানবা	খামেন অশিনবা	এপ্রিল-মে; জুলাই-ওগষ্ট	২১-২৪°
গাজর	”	১৬-২১°	খামেন	ফেব্রুৱারী-মার্চ মে-জুলাই; ওক্টোবর-নবেম্বর	২৫-৩০°
হৱাই মুবি	”	১৫-২৫°	মোরোক		২০-৩০°
			এঞ্ছাং মোরোক		১৭-২৩°

নিংথম কালেন হায়দুনা চাউরাক্লা খাইদোক্তুনা থমজবনি। মাগী মাগী খরা হেন্না চানবা মতমদি খরা খরা অদুমক খেন্নবা লৈতবা নত্তে। মতমগী মতুংইন্না অনৌ অনৌবা, মতমগা চানবা, অফবা মখলশিং পুথোকপা লেপ্পা লৈতে। মতম নাইদনা থাবা য়াবা, অঙৈংবা/অশাবা খাংবা ঙম্বা মখল কয়া অমনি। অদুমকপু মথক্তা থমজরিবা থাবগী মতম অমদি অঙৈং-অশাগী চাংগা অদুমক নক্লনা লৈবনা মখোয়না হৈনজবা হায়বদুদি অদুমক ওইদুনা লৈবনা অয়াম্বনি। খরা খরা থৈদোক থৈজিন তৌদুনা অতাঙবা মতম নংনবা হোৎনবগী তাঞ্জা লৌবদসু হায়রিবশিং অসি খঙজিনবা কান্নগনি।

অমরোমদনা অমুক মানা মানা হৈনজবা অঙৈং-অশাদগী খরদং হেন্দোক হেঞ্জিনবা য়াদবা কাঙবুসু লৈতবা নত্তে। খুদম ওইনা অশাবগী চাংনা ৩০° সেলসিয়সকী মথক হেক হেনখিবদা আলু তাবা শুকঙমমক ঙল্লোই। খামেন অশিনবা অসি ৩২° সেলসিয়স হেন্না হেক শারবা, ১২° সেলসিয়সতগী তানা ঈংলবা খামেন অশিনবা পানবা শোয়দনা হন্থরনি, ১০° সেলসিয়সতগী হন্থরবা খামেন অশিনবগী অঙাংবা মচু ফংবা শুকঙম ঙমলরোই।

খঙজিনবা য়াবা কয়া অমনি, থমজনীংলিবদি, মরু ওইরিবা পান্বী মখলশিং অসিগী হৈনজবা ফীভমশিং ইশিন্দুনা থম্বীয়ু, চাংয়েং মচা-মচা পাঙথোকপীয়ু, মতম খজিক খজিক খেন্নহন্দুনা মতম অমত্তদা পুল্লপ মণিপুর পূম্বদা কোবিনা/খামেন অশিনবনা ৱাই চাইহনবা তোকসি। মগুন নিংথিনা খঙদ্রিবা অনৌবা পান্বী মখল অমা থাগে খল্লবদি অপিকপা চাংদা লম মচেৎ খরদা হান্না চাং য়েংবীয়ু। মতৌ অসুম্না মতম মতমগী অঙৈং অশাগী, নোংজু নুংশাগী পাউগী কান্নবা লৌবীদুনা মায় পাকপা লৌমী ওইবিয়ু, মীয়ামগী অমদি শা-ষণগী হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা, থৱায় ওইরিবা চিঞ্জাক পুথোক্তুনা পূম্নমক্কী মপূং ফাবা মতেং তৌবীয়ু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।